ওপোজিসন লিদর খালেদা জিয়াদা পীবা মীয়াৎকী মতম শরুক অনী হেনগৎহনখ্রে

ধাকা, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি): প্রোসিক্যুসন্না আপিল তৌরকখ্রবা মতুংদা বাংলাদেশকী কোর্ট অমনা ওপোজিসন লিদর খালেদা জিয়াদা পীবা মীয়াৎকী মতম চহী ৫ দগী ১০ দা হেনগৎহনখ্রে।

অতোপ্পা কেস অমদা মশাগী চহী ৭৩ শুরবী জিয়াবু চহী ৭ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি। নেসনল ইলেক্সন মমাঙদা কোর্টনা পীরক্লিবা ৱায়েল অসিনা ওপোজিসন পার্টিদা অচৌবা পোৎলুম অমা ওইরগনি হায়না থাজনরি। এন্টি করপসন কন্মিসনগী প্রোসিক্যুটর খুর্সিদ এ খাননা এজেন্সীদা হায়খি, লৱার কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল হায় কোর্টনা শৌগৎখিবগা লোয়ননা জিয়াদা পীবা মীয়াৎকী মতম চহী ৫ দগী ১০ দা হেনগৎহনখিবনি।

কোর্টকী ৱায়েল তাবদা জিয়ানা লুচিংবা বাংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) না লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। বাংলাদেশকী এটোর্নি জেনরেল মহেবুবা অলমনা হায়খি, দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা জিয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হসিনাগী মায়োক্তা মীরেপ ওইনা চোংথোক্নবা ফিরেপ লৌবা তারবসু হেন্না অৱাংবা থাক্কী কোর্ট অমনা অয়াবা পীদ্রবদি মীখলদা জিয়ানা মীরেপ ওইবা য়ারোইদৌরি।

খ্বাইদগী অহানবদা ওর্ফানেজ অমদা থাদগদবা শেনফম লান্না শীজিন্নরম্মী হায়বগীদমক জিয়াবু চহী মঙা জেলদা থম্নবা খঙহনখি। ফেব্রুৱারি থাদা পীখিবা ৱায়েল অদুনা মরম ওইরগা বাংলাদেশকী মরুওইবা সিটি খরদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকখি। মিলিটরি দিক্টেটর জিয়াউর রহমনগী লুখ্রা ওইহৌরবী লোয়নবী খালেদা জিয়াগী মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা অতৈ অতোপ্পা মরাল কয়াসু শিরকখি। মচানুপা তারিক রহমনসু কুমজা ২০০৪ দা হসিনাগী পোলিটিকেল রেল্লি অমদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চৎখিবগী মরালদা মশা য়াওদনা ৱায়েল চৎখরগা পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রবনি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খালেদা জিয়াবু হৌজিক হৌজিক ১৯ শুবা চহীচা মতমগী অরিবা জেল অমদা থল্লি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীদবা মরম্না মহাক্কী হকচাংগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি হায়না জিয়া শৌগৎপা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

শেঞ্জা-থুমজাগী মরালদা বেগম খালেদা জিয়াবু কোর্টনা ঙরাং চহী তরেৎ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি। করপসনগী কেসতা মহাক মশা য়াওদনা লৱার কোর্টতা মখা তানা ৱায়েল চৎখবা য়াহনখিবা হায় কোর্টকী ৱায়েল অমা শিংনদুনা জিয়ানা থাখিবা আপিল পিটিসন অমসু এপেক্স কোর্টনা রিজেক্ট তৌবা লৈখ্রে। সুপ্রীম কোর্টকী চীফ জষ্টিস সয়েদ মহমদ হোশাইনগী আপিলেট দিভিজন্না মরী লৈনবা কোর্টনা মখা তানা ত্রাইএল প্রোসিদিংস চত্থনবগী অয়াবা পীখি।

মশাগী চহী ৭৩ শুরবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা সেপ্টেম্বর ২৭ তা হায় কোর্টতা রিভিজন পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা কোর্ট অদুগী সেপ্টেম্বর ২০ গী ওর্দর শিংনখি। জিয়াগী রিভিজন পিটিসন অদু ওক্টোবর ১৪ দা হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি অমসুং ত্রাইএল কোর্টনা প্রোসিদিংস চত্থনবগী লম্বী ফাৎখি। মহাক্কী মপুরোইবা প্রসিদেন্ট জিয়উর রহমনগী মমিং লৌদুনা থোনখিবা ওর্ফানেজ অমদা থাদগদবা শেনফম অরানবা মওংদা শীজিন্নখিবগী কেস অমদা কনভিক্সন পীদুনা জেলদা লৈরিবা জিয়ানা হন্দক্তা হায় কোর্টকী ওর্দর অদু শিংনদুনা লিভ-টু-আপিল পিটিসন অদু ফাইল তৌখি। কেস অদুদা জিয়ানা মশা নারে হায়দুনা কোর্টতা চৎখিদে। এন্টি-করপসন কন্মিসন (এ সী সী) না কুমজা ২০১১ দা জিয়া অমসুং অতৈ মীওই অহুমগী মায়োক্তা কেস থাঙ্গৎখিবনি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ইন্দোনেসিয়াদা কায়খিবা প্লেন অদুগী লেমহৌবা শরুক থেংনখ্রে

জকর্টা, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি): ইন্দোনেসিয়াদা কায়খিবা লাইওন এয়রগী প্লেন খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা সমুদ্রদা প্লেনগী অকায়বা মচেৎ থেংনখিবগা লোয়ননা বোদি বেগ ২৪ মশক খঙদোক্লবগীদমক অখঙ-অহৈশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

নেসনল সর্স এন্দ রেস্ক্যু এজেন্সীনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা অশিবা হকচাং ১০ ফংবা ঙম্লে। হকচাংশিং অদু মশক মমিং খঙদোক্নবা থবক লৌখৎপা হৌরে। প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা নুমীদাংগী মতমদসু মখা তানা থি-হুন্নবগী থবক চত্থনবা খঙহনখি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মরাইবক থীখ্রবা বোইং ৭৩৭ অদু পাইখৎখিবদা ঙাইরিঙৈদা অরানবা মায়কৈদা খোঙজেল য়াংনা পাইখিবগী খুদম ফংবা ঙম্লে হায়রি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মরাইবক থীখ্রবা প্লেন অদুগী ব্লেক বোক্স ফংবা ঙম্লবদি প্লেন কায়খিবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙম্লগনি। প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুং অমসুং মরী-মতা কয়া জকর্টাগী সোকার্নো-হটা এয়রপোর্টতা থুংলখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মরমদা অকুপ্পা পাউ লৌনবা হোৎনখি। প্লেনদা তোংখিবা মীওইশিং হিংনা ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈত্রবসু থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফাওবদি ফংহনবীয়ু হায়না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিনখি।

লান্মী, পুলিস অমসুং ঙামী য়াওনা মীওই ৩০০ হেনবনা মরাইবক থীখ্রবা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওইশিং থিবা হোৎনরি। প্লেন অদু ভাভে সুনেজা কৌবা ইন্দিয়ন পাইলোট অমনা পাইখিবনি। মীওই ১৮৯ তোংবা লাইওন এয়রগী বোইং ৭৩৭ অদু ইন্দোনেসিয়াগী কেপিটেল জকর্টাদগী পাইখৎখিবা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈদা সমুদ্রদা কায়খিবনি। ফ্লাইট জেটি ৬১০ অদু বাঙ্কা বেলিতুং ঈথৎকী পাঙকাল পিনাঙ তম্না পাইখিবদা কন্টেক্ট তৎনখিবনি। রেস্ক্যুঅরশিংনা অশিবা হকচাং খরা লৌখৎখ্রে অমসুং অহিংবা মী য়াওরম্বা য়াবগী মমি অমত্তা ফংখিদে হায়রি। হৌখিবা ওগষ্টতগী ওপরেসন হৌখিবা অনৌবা প্লেন অদু কাইখিবগী মরম খঙবা ঙমদ্রি। লাইওন এয়র অসি ইন্দোনেসিয়াগী খ্বাইদগী চাঁউবা লো-কোষ্ট কেরিয়রনি। থৌদোক অদু বোইং ৭৩৭ গী অপদেট তৌবা ভর্জন অমা ওইরিবা বোইং ৭৩৭ মেক্স চেন্নবা অহানবা অচৌবা এক্সিদেন্টনি হায়রি।

প্লেন অদু মিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা লুথনা ঈশিংদা তাশিন্দুনা কায়খি হায়না সার্চঅমসুং রেস্ক্যু এজেন্সীগী স্পোক্সমেন য়ুসুফ লাতিভনা ফোঙদোকখি। রেস্ক্যুঅরশিংনা অশিবা হকচাং কয়া ঈশিংদগী লৌখৎখি অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংদা অশিবা মশক খঙদোক্নবা হোস্পিটালদা চৎনবা খঙহনখ্রে। অঙাংগী খোঙউপ, আই দি কার্দশিং অমসুং লগেজ য়াওনা পেসেঞ্জরশিংগী পোৎচৈশিং ঈশিংদা তাওরম্বা থেংনখি। ঐখোয়না প্লেনগী মপুং ওইবা অকায়বা শরুক্তু থীবা চঙলি। হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা হকচাংগী শরুকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা হিংহৌবা মী য়াওরমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়না সার্চ অমসুং রেস্ক্যু এজেন্সীগী ওপরেসনল দিরেক্টর বামবাং সুর্য়োনা ফোঙদোকখি।

অঙনবগী ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, প্লেন অদুদা মপুং মরৈ ফারবা মীওই ১৭৮, পুঙ্কক চাওরবা অঙাং অমা অমসুং পীশক পীক্লিবা অঙাং অনী লোয়ননা পাইলোট ২ অমদি কেবিন ক্রু মঙা তোংখি। অদুম ওইনমক লাইওন এয়রনদি কেবিন ক্রু তরুক্লি হায়না ফোঙদোকখি। ফ্লাইট জেটি ৬১০ অদু ঙরাং অয়ুক পুং ৬:২০ তাবদা (জি এম টি ২৩:৩০ দা) জকর্টাদগী পাইখৎখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা কন্ট্রোল টৱারগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। মতম খরগী মতুংদা প্লেন অদু কায়খ্রে হায়বা খঙলকখি।

সী এন এনদা থাবা চীংননিংঙাই ওইবা পেকেজ এফ বি আইনা ফাখ্রে

ৱাশিংতন, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি): এটলান্তাদা লৈবা সী এন এনগী হেদকোর্টরসতা থারকখিবা চীংননিংঙাই ওইবা পেকেজ অমা পন্থুংফম য়ৌদ্রিঙৈদা ওথোরিটিশিংনা ফাখ্রে। পেকেজ অদু হৌখিবা চয়োলদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী ক্রিটিকশিংদা থারকখিবা পাইপ বোম ১৪ য়াওবা পেকেজশিং অদুগা মান্নে হায়না এফ বি আইনা ফোঙদোক্লি।

খ্বাইদগী নৌবা পেকেজ অদু এটলান্তাগী পোষ্ট ওফিস অমদা ফাখি হায়না সী এন এন ৱর্ল্দ ৱাইদকী প্রসিদেন্ট জেফ জকরনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। য়ু এস পোষ্টেল ইন্সপেক্স সার্ভিসনা পাউ পীবদগী এফ বি আইগী এটলান্তা বোম স্কৱাদ অমসুং অতৈ লো ইনফোর্সমেন্ট পর্সনেলনা থুনা থবক তৌখি হায়না এফ বি আইগী স্পোক্সমেন কেভিন রোসননা ফোঙদোকখি।

পেকেজ অদু লমখাংদা ফারবা মতুংদা খুদোংথিবা থোক্লিংঙাই ফীভম অমত্তা উবা ফংদে হায়না জকরনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চয়োলদা টাইম ৱার্নরদা লৈবা সী এন এনগী ন্যু য়োর্ক ওফিসতা পাইপ বোম অমা থারকখিবদা তঙাইফদনা বিল্ডিং অদুদগী মী পুম্নমক শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখিবদগী হৌজিক নেটৱার্ক অদুদা থারকপা মেলশিং ওফসাইট স্ক্রিনিং তৌরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রিপব্লিকানশিংনা পায়রিবা কোংগ্রেসপু দেমোক্রেটশিংনা কন্ট্রোল তৌনবা কন্না হোৎনবা উবা নবেম্বর ৬ কী মীখল চয়োল অমদগী পঙহেন হেনদ্রবা মতম অসিদা লৈবাক শিন থুংনা মীখলগী কেম্পেন কল্লিঙৈদা খ্বাইদগী নৌবা পেকেজ অদু থারকখিবনি। থাংজ নুমীৎতা গনমেন অমনা পিটসবর্গকী সিনাগোগতা নোংমৈ কাপ্তুনা লাই খুরুম্বা মীওই ১১ হাৎখিবা মতুং ফাওবদা পাইপ বোমশিংনা পীবা টেন্সনদি মখা তানা লৈখি। পনবা য়াই, গনমেন অদুনা সিনাগোগ অদুদা ‘জ্যু খুদিংমক শিরো’ হায়না লাউদুনা নোংমৈ কাপখি।

হৌখিবা চয়োলগী বোমশিং অদু হান্নগী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা অমসুং সী এন এন য়াওনা ত্রম্পনা তোয়না শাওবা উৎপা টার্গেটশিংদা থারকখি। বোমশিং অদু এক্সপ্লোসিভনা থল্লবা অমসুং ৱায়রনা অপীকপা ঘড়ী অমদি বেট্টরিশিংগা শম্নবা ইঞ্চি ৬ কী পাইপ বোমশিং য়াওবা এনভলপশিং ওইনা থারকখি হায়না মেনহাট্টানদা লৈবা ফেদরেল কোর্ট অমদা ফাইল তৌবা ক্রিমিনেল কমপ্লেন্ট অমনা হায়খি।

বোমশিং অদুবু থারম্বগী মরাল শিখ্রবা হান্নগী নুপা ষ্ট্রিপ্পর অমসুং মরক মরক্তা পিজা থীনবা মীশক অমা ওইরিবা সেজর সায়োক অহানবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুংথিলদা মাইয়ামিদা লৈবা কোর্ট অমা কাখি। মশাগী চহী ৫৬ শুরবা সায়োকতা অচৌবা ক্রাইম (ফেলোনি) মঙা হায়বদি ইন্টরষ্টেট ত্রান্সপোর্টেসন, এক্সপ্লোসিভশিং থাবা, হান্নগী প্রসিদেন্ট অমবু কিহনবা, ইন্টরষ্টেট কম্যুনি-কেসনগী খুত্থাংদা মী কিহনবা অমসুং ফেদরেল ওফিসরশিংদা এটেক তৌবগী মরাল শিখ্রে। কেস অদু ন্যু য়োর্কতা পুদুনা মহাকপু মফমদুদা লৈবা য়ু এস এটোর্নিগী ওফিসতা প্রোসিক্যুসন চত্থরবা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

নৌনা খনখিবা শ্রীলঙ্কাগী পি এম রাজাপক্সা ৱাশক লৌখ্রে

কলম্বো, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি): নৌনা খনখ্রবা শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ রাজাপক্সাগী কেবিনেট ৱাশক লৌখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রি পায়শিনখিবগা লোয়ননা শরত অমুঙ্গুমাবু লৈবাক্কী অনৌবা ফোরেন মিনিষ্টর ওইনা খনখি।

মমাঙদা প্রসিদেন্ট মাইত্রিপালা শিরিসেনা শৌগৎখিবা মিনিষ্টর কয়ামরুম মশাগী হান্নগী পোর্টফোলিওশিং অদুম্মক পায়হনখি। মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেনদি হৌজিকসু মহাকপু মশিং য়াম্বা কাঙলুপনা শৌগৎলি হায়না ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অরানবা মওংদা মফম লৌথোকখিবনি হায়না মরাল শিরদুনা কলম্বোদা হয়েং মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়নসু ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেনা ফোঙদোকখি। শ্রীলঙ্কাগী অপূনবা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) ২২৫ গী মনুংদা ১২৬ না খুৎয়েক পীদুনা পার্লিয়ামেন্টকী অখন্নবা মীফম অমা কৌবীয়ু হায়না স্পিকরদা তকশিনখি। স্পিকরনদি লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌবা মতমদা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

কলম্বোদা ঙরাং পোলিটিকেলগী চরাংনবা মরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অনী অশোক অপন নংখিবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অর্জুনা রানাতুঙ্গাবু পুলিসনা ফাজিনবা লৈখ্রে। হান্নগী ক্রিকেটর অদু পুলিসনা ঙাইহাক ফাজিন্দুনা থম্লুরবা মতুংদা বেল পীদুনা থাদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইরাই নুমীৎতা প্রসিদেন্ট শিরিসেনানা ৱিক্রেমেসিনঘে মফম লৌথোক্তুনা মহিন্দ রাজাপক্সাবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনখিবদগী শ্রীলঙ্কাদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম অমা থোরকখিবনি। প্রসিদেন্ট মাইত্রিপালা শিরিসেনানা রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘে মফম লৌথোকখ্রবা মতুংদা শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মহিন্দ রাজাপক্সাবু ঙরাং লৈবাক্কী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহনখিবনি। রাজাপক্সানা প্রাইম মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা চঙদুনা থৌ পুবা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস লোইশিনবা ঙম্বগী ফীভমদা লাক্লে হায়না শ্রীলঙ্কা পিপলস পার্টি (এস এল পি পি) না ফোঙদোকখি।

থৌওং অদু কনষ্টিট্যুসনল কূ তৌবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেনা পার্লিয়ামেন্টকী অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মেজোরিটি উৎনবগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়না হায়জখিবা তারবসু শিরিসেনানা নবেম্বর ১৬ ফাওবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম য়ৈথোকখি। নোংমাইজিং নুমীৎতা শ্রীলঙ্কান পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর কারু জয়সুরিয়ানা ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেবু লৈবাক্কী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা শকখঙলে হায়না লাউথোকখি।

প্রসিদেন্ট শিরিসেনানা কলম্বোদা লৈবা দিপ্লোমেটশিং কৌদুনা পোলিটিকেল ক্রাইসিস লোইশিনহন্নবগীদমক তঙাইফদনা পার্লিয়ামেন্টকী অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি। শ্রীলঙ্কাগী স্পিকর কারু জয়াসুরিয়ানা রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্ঘেবু লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা শকখঙখ্রবনি। থৌওং অদুনা প্রসিদেন্ট মাইত্রিপালা শিরিসেনানা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোকখ্রবা য়ু এন পিগী লুচিংবা অদুগী কোকথক্তা নল্লম্বা পোলিটিকেলগী অরুম্বা পোৎলুম অমদি লৌথোকখ্রে হায়না লৌনরি।

জি ৫ গা মরী লৈননা ওষ্ট্রেলিয়ানা চেকশিনগদবনি : স্পাই চীফ

সীদনি, ওক্তোবর ৩০ (এজেন্সি): ওষ্ট্রেলিয়ানা ফার্ম খরদি জি ৫ গী মোবাইল কম্যুনিকেসন্স নেটৱার্ক শেমগৎপদা চঙবা ইক্বিপমেন্ট পীবদা অথিংবা থম্নগী তঙাইফদ্দবা লৈ মরমদি মদু অরুবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরনি হায়না লৈবাক অদুগী দোমেষ্টিক ইন্টেল্লিজেন্স এজেন্সীগী মকোক্না ফোঙদোকখ্রে। চাইনাগী ৱাৱে করিগীদমক বেন তৌখিবনো হায়বগী মতাংদা খঙহন্নবা হোৎনরদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈবাক অসিগী নেসনল সিক্যুরিটি রুলশিং হৌখিবা ওগষ্টতা হেন্না চাউথোকহন্দুনা টেলিকম্যুনিকেসন ইক্বিপমেন্ট সপ্লায়রশিংসু য়াওহনখি। ওর্দর অদুনা ৱাৱে টেক্নোলোজিজ কো লিমিটেদপু লৈবাক অদুগী লাক্লিবা দোমেষ্টিক ব্রোদবেন্দ নেটৱার্কতা শরুক য়াবা থীংখি।

কম্পেনি খরদি ফোরেন গভর্ণমেন্টশিংগী ৱা তাবা চঙবা মরম্না ৱারেপ অদু তঙাইফদনা লৌবা তাখি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ানা ফোঙদোকখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ফিরেপ অদুনা কানবেরা অমসুং বৈজিংগী মরীদা অকায়বা লাকহনখি। জি ৫ গী টেক্নোলোজিনা ঐখোয়গী হেল্ঠ সিষ্টেম অমসুং রিমোট সর্জরিগা মরী লৈনবা এপ্লিকেসনশিং, মশানা থৌজবা কারশিং অমদি পৱার অমসুং ৱাটর সপ্লাইগী ওপরেসন্নচিংবা নুংতিগী ওষ্ট্রেলিয়ানশিংনা মপান তাঙলিবা কম্যুনিকেসনশিংদা মতেং পাংগনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন সিগ্নেলস দিরেক্টোরেটকী দিরেক্টর জেনরেল মাইক বর্জেশনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোকখি।

নেটৱার্ক অদুদা লাকপা থ্রেট খুদিংমক নেটৱার্ক অপুম্বগী থ্রেট ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। মহাক্লা মহাক্কী স্পিচ অদুদা ৱাৱে নৎত্রগা অতৈ ফার্মশিংগী মমিং অমত্তা পনখিদে। ৱাৱে কম্পেনিগী স্পোক্সমেন্নসু ৱাফম অদুগী মতাংদা কমেন্ট পীরকখিদে। কম্পেনি অদুনা মমাঙদা মখোয় বৈজিংগী ৱা তাই হায়বা ৱাফম য়াখিদে। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা টেলিকম্যুনিকেসন্স নেটৱার্ক গিয়র শাবা ৱাৱেবু চাইনিজ লৈঙাক্কী ৱা তারগা থবক তৌবনা অরোন অথুপকী থবক কয়া পাঙথোরকপা য়াবগী রিস্ক লৈ হায়না নোংচুপলোমগী ইন্টেল্লিজেন্স এজেন্সীশিংনা মতম শাংনা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

OFFICE OF THE
CHAIRPERSON, YAIRIPOK MUNICIPAL COUNCIL
YAIRIPOK, MANIPUR

ORDERS

Yairipok, the 30th October, 2018

অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মখাদা পীরিবা Yairipok Tampha Keihtel গী পোৎফমশিং অসি Yairipok Municipal Council না পীবা Trade শিংগী ৱাংমদা নিয়ম কায়না অতোপ্পা Trade হায়বদি Jewellery য়োনবা মরম্না লাক্লিবা তাং ০৫/১১/২০১৮ দা কক্লগনি। কক্লগদবা পোৎফমশিং অদুদি :-

1. L. Devala Devi	Vendor Plot No. 09
2. M. Jolly Devi	Vendor Plot No. 10
3. Kh. Naobi Devi	Vendor Plot No. 11
4. Kh. Bina Devi	Vendor Plot No. 12
5. L. Asharani Devi	Vendor Plot No. 31
6. N. Ashalata Devi	Vendor Plot No. 32
7. K. Aruna Devi	Vendor Plot No. 33
8. Y. Borni Devi	Vendor Plot No. 56
9. M. Ibetombi Leima	Vendor Plot No. 57
10. Sh. Ragini Devi	Vendor Plot No. 79
11. Ch. Shantibala Devi	Vendor Plot No. 80
12. Keisham Momon Devi	Vendor Plot No. 81

মরম অসিনা মখা তানা মখোয়শিং অসিগী Card অসি চৎনররোই।

By Order : **L. Haripyari Devi**
Chairperson
Yairipok Municipal Council

HL-B/4958/31

ꯈꯣꯡ ꯍꯥꯝꯕꯥ/খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোং মনুংদগী মতুম মচা অমা ইনথরকপা, খোঙ হাম্বা লোয়রগা খুৎনা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিগী কাওজররোই



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বদা অমাঙথোং মনুংদগী মতুম মচা অমা ইন্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা খুৎনা অমুক ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা পোমথোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হাম্বা য়াননবা শংবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বদা অমাঙথোংদা খুজিল্লগা অমাংবদু পিক্লা থোল্লকপা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক থনগৎলগা লৈবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, শিংলি নাওরি শোনবা, কপ্লাক মরি নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবী : **O. PRAMO**
Nambol

HL-P/5533/31

TREATED SUCCESSFULLY

[illegible] **মায় পাক্লা লায়েংজরি** [illegible]



PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/5518/13/10-12/11(Alt.)

Apollo ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
Tutorial Centre

Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office

ADMISSION OPEN

Special Revision Course for:-
Class -XII Sc.(COHSEM & CBSE):English(COHSEM only) + Physics+Chemistry+ Maths + Biology

Class Starts : 22nd November, 2018
Class timing: 4:00 p.m. to 7:45 p.m.
Last date of form submission : 21st Nov. 2018

VAN Service Available

HOSTEL FACILITY : BOTH BOYS & GIRLS

Enroll just today and be success HSE (COSHEM) - 2019 & SSE(CBSE) - 2019

For Details Please Contact :- APOLLO Tutorial Centre
(1) 6:00 a.m. to 9:00 a.m. (2) 2:00 p.m. to 7:00 p.m.

HL-P/5587/27/10-26/11(Alt.)

3rd SCHOLARSHIP & MOCK TEST OF X & XII

[illegible] Organised by

HUMAN RESOURCE CENTRE & RESEARCH INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,Opposit Koirengei Auto Parking

SCHOLARSHIP + CASH PRIZE + MOMENTO + CERTIFICATE OF EXCELLENCE

SCHOLARSHIP	CASH PRIZE	SPECIAL CASH PRIZES
1st position : Rs.1000 x 12 Months	1st position : Rs.30,000	4th to 10th position Holders
2nd Position : Rs.700 x 12 Months	2nd Position : Rs 20,000	10th to 25th position Holders
3rd Position : Rs. 500 x 12 Months	3rd Position : Rs. 15,000	

Sponsored by Advanced Coaching Institute

Form Available : Global book store, Brigthway Agency,Sucheta book house, Leo Agency K.K. book store, Premier book store, Writer book store-Pologround Maning, Manipur stationery Mart-Paona Bazar, Lairik makon-konung mamang, Career corner-Khuyathong, Fame book house-Paona bazar, Siroy Papermark-Kwakeithel, Sana Mart (Maosilen), Siroy Paper Mart,Kangla book store,Chingtam book House,C.I.-Stationery, Sindam book store-Singjamei bazar, I.R. Educational book store-M.U. main gate,Global stationery, Universal book store,Pupil's book store-Lilong Bazar, Tour and saraswati book store-Thoubal wangmataba,Oja bijoy and Shilla book store-Thoubal bazar,M.S. Photo & Video-Athokpam bazar, Global book, K.B. Stationery-Wangjing bazar, Athoiba books-Heirok, Khongjom stationery (Tejkumar), Paperie,Lila, P.P. stationery kakching, Global Enterprises-Wabagai, Romila Book store-Mayang Imphal, New Book store-Wangoi, C.I.Book store-Nambol,Nandini Book store-Bishnupur, Bina book store-Ningthoukhong, Romee Book store-Moirang lamkhai, Ibeyaima book gallery-Moirang, Sharma book store and Global book store-Yairipok bazar.

For details : contact 7005755288. Form will be available freely from the office of HRC&RI or ACI Nagamapal.

HL-P/2321/25/10-22/12(Alt.)